সব জুনিয়র বোইজ নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী নোর্থ ইষ্ট জোন ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ

মণিপুরনা ত্রিপুরাবু গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফগ্রাউন্দদা চথরিবা সব-জুনিয়র বোইজ নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মণিপুরনা ত্রিপুরাবু গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদু হেক হৌরকপগী ৯শুবা মিনিটতা মণিপুরগী দিফেন্দর জর্সি নম্বর ১৫ দি কে চোংসু চোথেনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মণিপুরনা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্নবগীদমক ত্রিপুরানা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ২৮শুবা মিনিটতা ত্রিপুরাগী মিদ ফিল্ডর জর্সি নম্বর ৮ নোকবর জমাতিয়ানা গোল অদু হন্দোক্লুনা মেচ অদু গোল ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৩৬শুবা মিনিটতা এম চোংসু চোথেনা মেচ অদুদা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মণিপুরনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই মেচকী ৪৫শুবা মিনিটতা মণিপুরগী কেপ্তেন জর্সি নম্বর ১০ এলাংবম সন্তোসকুমারনা গোল অমগা চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ত্রিপুরানা অতোপ্পা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মণিপুরনা গোল ৩-১ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু ত্রিপুরানা গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুমকপু মেচকী ৭২শুবা মিনিটতা মণিপুরগী মিদ ফিল্ডর জর্সি নম্বর ১৪ জেটলেক্স খাংজ্রাকপমনা গোল অমা চনখি। মসিগী মতুং মেচকী ৮২শুবা মিনিটতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ১৮ মাইরেনবম জেটলিনা গোল অমগা চন্দুনা মেচ অদু মণিপুরনা গোল ৫-১ দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মণিপুরনা মাঙজিল থারগা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোক্নবগীদমক ত্রিপুরানা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা ত্রিপুরানা অতোপ্পা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু মণিপুরনা গোল ৫-১ দা মায় পাকখি।

ষ্টেট সোফ্ট বোল চেম্পিয়নশিপ (মেন এন্দ ৱিমেন/বোইজ এন্দ গার্লস) ২০১৭

ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা নুপাগীসু নুপীগীসু ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : মণিপুর সোফ্ট বোল এসোসিএসন্না শিল্লগা খুমন লম্পাক্তা চথরিবা ২৯শুবা সব জুনিয়র, ৩০শুবা জুনিয়র অমসুং ৩২শুবা সেনিয়র ষ্টেট সোফ্ট বোল চেম্পিয়নশিপ (মেন এন্দ ৱিমেন/বোইজ এন্দ গার্লস) ২০১৭ লোইশিনখ্রে। সেনিয়রগীদা ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা নুপাগীসু নুপীগীসু ৱিন্নর ওইখ্রে।

৩২শুবা সেনিয়র ষ্টেট সোফ্ট বোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী নুপাগী ফাইনেল মেচতা ৱাই এ সী য়াইস্কুল অমসুং বিরমঙ্গল কোলেজ (বি এম সী) শওন্নুং শান্নখি। মেচ অদুদা ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা বি এম সী শওন্নুংবু রন ৩-১ দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা বিরমঙ্গল কোলেজ (বি এম সী) শওন্নুংনা রন্নর্স-অপ তাখি।

সেনিয়র ষ্টেট সোফ্ট বোল চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী ফাইনেল মেচতনা ৱাইএ সী য়াইস্কুল অমসুং য়ু কে সী সাইতোন শান্নখি। মেচ অদুদা ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা য়ু কে সী সাইতোনবু রন ১১-৪ দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱাই এ সী য়াইস্কুলগী নুপীগী টিম্না ৱিন্নর ওইখি। অদুগা য়ু কে সী সাইতোনগী নুপীগী টিম্না রন্নর্স-অপ তাখি।

২৯শুবা সব জুনিয়র ষ্টেট সোফ্ট বোল চেম্পিয়নশিপকী নুপামচাগী ফাইনেলদনা য়ু কে সী সাইতোন্না ৱাই ও সী নহারুপ্পু রন ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা য়ু কে সী সাইতোন্না ৱিন্নর ওইখি। অদুগা ৱাই ও সী নহারুপ্পা রন্নর্স-অপ তাখি। সব জুনিয়র গার্লসকী ফাইনেলদনা আর কে সনাতোম্বী দেবী কেন্দ্র বিদ্যালয়ানা য়ু কে সী সাইতোনবু রন ১৫-২ দা মায়থীবা পীদুনা আর কে সনাতোম্বী দেবী কেন্দ্র বিদ্যালয়ানা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা য়ু কে সী সাইতোন্না রন্নর্স-অপ তাখি।

৩০শুবা জুনিয়র ষ্টেট সোফ্ট বোল চেম্পিয়নশিপকী নুপামচাগী ফাইনেলদনা য়ু কেসী সাইতোন্না ৱাই ও সী নহারুপ্পু রন ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা য়ু কে সী সাইতোন্না ৱিন্নর ওইখি। অদুগা ৱাই ও সী নহারুপ্পা রন্নর্স-অপ তাখি। জুনিয়র গার্লসকী ফাইনেলদনা য়ু কে সী সাইতোন্না আর কে সনাতোম্বী দেবী কেন্দ্র বিদ্যালয়াবু রন ১৭-৩ দা মায়থীবা পীদুনা য়ু কে সী সাইতোন্না ৱিন্নর ওইখি। অদুগা আর কে সনাতোম্বী কেন্দ্র বিদ্যালয়ানা রন্নর্স-অপ তাখি।

২৯শুবা সব জুনিয়র, ৩০শুবা জুনিয়র অমসুং ৩২শুবা সেনিয়র ষ্টেট সোফ্ট বোল চেম্পিয়ন-শিপ (মেন এন্দ ৱিমেন/বোইজ এন্দ গার্লস) ২০১৭ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর সোফ্ট বোল এসোসিএসনগী ফাউন্দর মেম্বরসু ওইরিবা য়াসকী রিটায়ার্দ দেপ্যুটি দিরেক্টর ঐচ রাধাচোরোন শর্ম্মা অমসুং মণিপুর সোফ্ট বোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মহেন্দ্র প্রটাপনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা দাইজ মেম্বরশিংনা ৱিন্নর ওইখ্রবা অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমশিংদা ত্রোফিয়াওনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

টি ৱাই দি এনা গোল ২-০ দা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা মরিশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা টি ৱাই দি এনা গোল ২-০ দা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী টি ৱাই দি এ তৌবুল অমসুং ঈ এল এস এ নরানসৈনা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লন্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টি ৱাই দি এনা গোল অনী মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ঈ এল এস এনা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু টি ৱাই দি এনা ঈ এল এস এবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখি। টি ৱাই দি এগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু জর্সি নম্বর ১০ এল জোসিদাসনা মেচকী ১১শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ২১ এল প্রিয়োবত্তনা মেচকী ১৯শুবা মিনিটতা চনখিবনি। হয়েং এ কে এস এ ক্বাক্তা অমসুং বি এফ এ নাচৌ শান্নগনি হায়রি।

এস এ ৱাই সীনা কছার কাং এসোসিএসন মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিল্লগা তোঙান তোঙানবা টিম ৬না শরুক য়াদুনা জিরিবামগী কালিমাই মান্দবতা চথরিবা অনীশুবা টি ঐচ হেরা সিংহ মেন'স ভেটরান কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবীনা কছার কাং এসোসিএসন মায়থীবা পীখ্রে।

এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবীনা টোস ঙমদুনা মেচ অদুদা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা কছার কাং এসোসিএসন্না মায়কৈ খনখি। টিম অনীমক্না অকনবা লন্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবীনা কছার কাং এসোসিএসনবু পাঞ্জল ১২-১১ দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেচ অদুদা ঈ দেবান্না জজ অমসুং কে ঐচ শান্তি মীতৈনা স্কোরর ওইখি। হয়েং দিবোং জি পি টিম বি অমসুং এম আই টি এল জিরিবাম শান্নগনি।

ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জে এন হোকি টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

অন্দর-১৭ গার্লসকী ফাইনেল ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট শান্নরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টরেট ওফ য়ুথ এফ্যোস এন্দ স্পোর্টসনা শিল্লগা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জে এন হোকি টুর্নামেন্ট অন্দর-১৭ গার্লসকী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল সগোলতোংবা হায় স্কুল অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী জয় হিন্দ হায় স্কুল শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অন্দর-১৭ গার্লসকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা থৌবালগী চরাংপাৎ হায় স্কুল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল শগোল তোংবা হায় স্কুল ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী শান্নখি। মেচ অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা থৌবালবু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল সগোলতোংবা হায় স্কুলগী মায় পাকপগী গোল মরি অদু জর্সি নম্বর ১৩ কে সিলভিয়ানা মেচকী ৩শুবা অমসুং ৪৪শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১৫ কে ঐচ সিলৈমনা মেচকী ৬শুবা মিনিটতা গোল অমা অমসুং জর্সি নম্বর ১০ এ মনিমচানা মেচকী ৩০শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতনা ইম্ফাল ইষ্টকী জয় হিন্দ হায়স্কুল অমসুং বিষ্ণুপুরগী ৱাঙু হায় স্কুল শান্নখি। মেচ অদু ইম্ফাল ইষ্টনা বিষ্ণুপুরগী গোল ৮-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। ইম্ফাল ইষ্টকী জয় হিন্দ হায় স্কুলগী মায় পাকপগী গোল ৮ অদু জর্সি নম্বর ৪ টি ঐচ রায়নানা মেচকী ২শুবা মিনিটতা গোল অমা, জর্সি নম্বর ৭ দব্লিয়ু চিত্রানা মেচকী ৫ শুবা মিনিটতা গোল অমা, জর্সিন নম্বর ৮ এস তনুনা মেচকী ৮শুবা, ১৩শুবা, ৩৫শুবা, ৪০শুবা মিনিটতা গোল মরি অমসুং জর্সি নম্বর ১২ কে ঙাম্থোইবীনা মেচকী ১০শুবা অমসুং ৪৮শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখি। অদুগা বিষ্ণুপুরগী ৱাঙু হায় স্কুলগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ১১ ঐচ এলিনানা মেচকী ৩১শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৮ তনিসানা মেচকী ৪১শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

অন্দর-১৭ বোইজগী ঙসি শান্নখিবা মেচতনা থৌবালগী চরাংপাৎ হায় স্কুলনা ককচীংগী হিয়াংলম হায় স্কুলবু গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অন্দর-১৫ বোইজগী ঙসি শান্নখিবা মেচতনা থৌবালগী চরাংপাৎ হায় স্কুলনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল সগোলতোংবা হায় স্কুলবু গোল ৮-০ দা মায়থীবা পীখি।

এ ৱাই সীনা বি এফ সী মায়থীবা পীখ্রে

বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ০২ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা তোঙান তোঙানবা টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২শুবা এন বলানন্দা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এ ৱাই সী তিংকাই খুনৌনা বি এফ সী বিষ্ণুপুর মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী বি এফ সী বিষ্ণুপুর অমসুং এ ৱাই সী তিংকাই খুনৌ শান্নখি। মেচ অদুদা এ ৱাই সীনা বি এফ সীবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখি। এ ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোল অহুম অদু জর্সি নম্বর ১১ মিনলেন্না মেচকী ১৮শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ১৪ নোমিলান্না মেচকী ৩২শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১০ এল বোইপুনা মেচকী ৪৩শুবা মিনিটতা চনখি। অদুগা বি এফ সীগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৯ পি বিজুনা মেচকী ৩৭শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১২ এম সেমসন্না মেচকী ৫৩শুবা মিনিটতা চনখি।

১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ সেপ্টেম্বর ৬তগী হৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২: খুমুকচম ইঙোচা সিংহ মেমোরিএল ত্রষ্টনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৬ তগী হৌরগনি।

মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ১২না শরুক য়াগদৌরি। টিমশিং অদুদি এ আই এম (এইম) খাবম লমখাই, কে এল এ এস এ (ক্লাসা) কৈনৌ, এম এ, এন আই এস এ (নিশা), এফ সী জালেন সদর হিলস, এস এস য়ু ৱাংখৈ, টি আর এ য়ু (ত্রাও) ক্বাকৈথেল, ৱাই পি ঐচ য়ু, নেরোকা এফ সী সঙাকফম, দি এম রাও, নাকো অমসুং এস য়ুনি। ষ্টেট লীগ অসিগী অহানবা ফেজগী ফিক্সচর থোকখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা এইম অমসুং এস য়ু শান্নগনি।

আই দব্লিয়ু এস সী অমসুং য়ু পি সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিল্লগা লোইতাং খুনৌ স্পিনিং মিলগী গ্রাউন্দা চথরিবা ৭শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা আই দব্লিয়ু এস সী খুম্বোং অমসুং য়ু পি সী পিশুম ওইনাম লৈকায় মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেচতা আই দব্লিয়ু এস সী খুম্বোংনা কে এস সী লম্বুলেন্দবু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। আই দব্লিয়ু এস সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৬ সৈত্যজিৎনা মেচকী ৪০ প্লস ৱান চৎপা মতমদা চনখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা মেচতনা য়ু পি সী পিশুম ওইনাম লৈকায়না এম এস সী মালোমবু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখি। য়ু পি সীগী মায় পাকপগী গোল ৪ অদু উমাকান্তনা মেচকী ২৩শুবা অমসুং ৬৫শুবা মিনিটতা গোল ২, নিংথৌবনা ৭০ প্লস ফোর চৎপদা গোল অমা অমসুং এম এস সীগী করনস্নানা চনখিবা ওন গোল অমগনি।

মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২: ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) গী মিৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন অমসুং দি এম আর এ ও ক্লব সেকমাইগা খুৎশম্নদুনা লাক্লিবা ওক্তোবর ২২ দা দমরাও এস ঈ কম্যুনিতি হোল কোঙেংলৈমা সেকমাইদা ১৫শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট পাঙথোক্লগনি। কন্টেষ্ট অসিদা সেনিয়র, জুনিয়র, মাষ্টর, মেন ফিজিক, ৱিমেন বোদি বিল্ডিং হায়রিবা ইভেন্টমঙা লৈগগনি। মরম অদুনা বোদি বিল্ডরশিংনা কন্টেষ্ট অসিদা য়াওনীংলবদি এসোসিএসন অসিদা পাউ ফাওরক্লবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি ও প্রেমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

য়ু এস ওপন : পেস-রাজা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখ্রে, সানিয়া অমসুং বোপান্না মায়থীহৌরে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০২ : য়ু এস ওপন মেন'স দবলসকী অহানবা রাউন্দদা মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেস অমসুং পুরব রাজাগী জুরা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। অদুগা সানিয়া অমসুং বোপান্নাদি মাগী মাগী জুরাশিংগা লোয়ননা মায়থীহৌরে।

মেন'স দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেচতা লিএন্দ পেস অমসুং পুরব রাজাগী জুরানা সর্বিয়াগী জানকো টিপসারেভিক অমসুং ভিক্তর ত্রোইক্কীগী জুরাবু ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীরম্লগা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখিবনি।

অতোপ্পা মেন'স দবলসকী মেচ অমদা ফেবিও ফোগনিনি অমসুং সিমোন বোলেলিগী জুরানা রোহন বোপান্না অমসুং পেবলো কুবাসকী জুরাবু ৫-৭, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরমখিবনি। নুপীগী দবলসতনা সানিয়া মিরজা অমসুং ইভান দোদিক্ন জেলিনা ওষ্টাপেনকো অমসুং ফেব্রিস মার্টিনগী মখুৎতা ৭-৫, ৩-৬, ৬-১০ দা মায়থীহৌখি।

ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্কগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২: ৱারঙ্গলদা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ৩০ দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১০দগী ১৫ ফাওবগী ওইবা সব জুনিয়র নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগীদমক ওপন ত্রাইএল সেলেক্সন অমা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ৮ অমসুং ৯ দা পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরিএস রনবিরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা য়াওনীংবা জুদোকাশিংনা সেপ্তেম্বর ৮ গী অয়ূক পুং ৮ ফাওবদা মশা মশাগী ওরিজিনেল অধার কার্দ অমদি ওরিজিনেল সার্টিফিকেট অমদি হায়রিবা সার্টিফিকেটশিং অসিগী জেরোক্সা সার্টিফিকেট পুরক্লগা মশাগী অরুম্বা ওনবা য়াওবা য়াগনি। জুদোকা খুদিংমক্না এন্ট্রি ফী ওইনা লুপা ৫০/৫০ পীগদবনি। ত্রাইএল সেলেক্সন অসি খুমন লম্পাক ইন্দোর হোলদা লৈবা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা অয়ূক পুং ৭ তগী ১০ ফাওবদা লাক্লগা নৎত্রগা মোবাইল নম্বর ৯৬১২১৫২৫৯৪ দগী খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

পি এস জীনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা চথরিবা ১৩শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ (চহী ১৫ অমসুং মখাগী) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ফোর এন হিরাচরন সিংহ ত্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মখা চথরকপা ওইনা সিনলোন ক্লব হিল ঘাট অমসুং পি এস জি লুংগ্রেজাং শান্নখি। মেচ অদু পি এস জীনা গোল ৪-০ দা মায় পাকখি। মায় পাকপগী গোল ৪ অদু পি এস জীগী মিন্থংনা গোল ২, পৌগাই অমসুং লালগিন্না গোল অমমম চনখি।

অনীশুবা ইন্টর স্কুল আর্মরেষ্টলিং মীট ২০১৭ হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিএসন্না শিন্দুনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৩ ফাওবা চথগদবা অনীশুবা ইন্টর স্কুল আর্মরেষ্টলিং মীট ২০১৭ ককৱাগী কম্যুনিতি হোলদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

ইন্টর স্কুল আর্মরেষ্টিলিং মীট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, এম এ দব্লিয়ু এগী চীফ পেট্রোনসু ওইরিবা এক্স মিনিষ্টর ও জয়না প্রসিদেন্ট অমসুং কৈরাও এ সীগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

অনীশুবা ইন্টর স্কুল আর্মরেষ্টিলিং মীট অসিগী অন্দর-১৭ গার্লসকী কেজি ৪৫গী কেটাগোরিদা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অমোম সনা চনুনা অহানবা, খোংজোম ষ্টেন্দর্দ ইংলিস হায় স্কুলগী সখিরা পরবিন্না অনীশুবা অমসুং টি জি হায়র সেকেন্দরিগী এল পুর্নিমা চনুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৫০গী কেটাগোরিদনা ইবোতোনস্না হায়র স্কুলগী এন দয়ানন্দিনিনা অহানবা অমসুং টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এল ধনুশ্রীনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৭০গী কেটাগোরিদা ৱাংখৈ হায় স্কুলগী এস গিতানা অহানবা, খোংজোম ষ্টেন্দর্দ ইংলিস স্কুলগী এল সিমানা অনীশুবা অমসুং টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এল সিমানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

অন্দর-১৪ গার্লসকী কেজি ৩০গী কেটাগোরিদা সেক্রেট হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী টি ঐচ কোনিকানা অহানবা, চন্দ্রখোং ফঞ্জাংখোং হায় স্কুলগী টি নন্দেশ্বররিনা অনীশুবা অমসুং স্কুল অসিমক্কী এম লক্ষ্মি চনুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৩৫গী কেটাগোরিদা আইকোন স্কুলগী এল প্রিটিনা অহানবা, রুদ্রা একাদেমিগী ইলিনা লৈশাংথেম্না অনীশুবা অমসুং চন্দ্রখোং ফঞ্জাংখোং হায় স্কুলগী কে মোনালিসা চনুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৪০গী কেটাগোরিদনা সেক্রেট হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এল প্রিটিনা অহানবা, সেন্ট পোল ইংলিস স্কুলগী এলিস ক্ষেত্রিময়ূম্না অনীশুবা অমসুং ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট ইংলিস স্কুলগী এল অঞ্জলি চনুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৫০গী কেটাগোরিদনা ৱাংখৈ হায় স্কুলগী এস দি রভানিং চিরুনা অহানবা, ইষ্টর্ন ষ্টার স্কুলগী এম থোই চনুনা অনীশুবা অমসুং খোংজোম ষ্টেন্দর্দ স্কুলগী এন গুনি লৈমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্টর স্কুল আর্মরেষ্টিলিং মীট অসিগী অন্দর-১৭ বোইজগী কেজি ৫০ গী কেটাগোরিদা ৱাংখৈ হায়স্কুলগী টি ঐচ প্রেমজিৎনা অহানবা, রাম লাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ৱাই অনাওবনা অনীশুবা অমসুং অলবার্ট ইংলিস স্কুলগী মনিচন্দ্র টি ঐচনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৫৫গী কাঙলুপ্তন জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গিনলালথোমনা অহানবা, টেম্পল ওফ লার্নিংগী এল রাখেসনা অনীশুবা অমসুং অজাদ ইংলিস স্কুলগী এম সেমসন্না অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৬০গী কেটাগোরিদনা ৱাংখৈ হায়স্কুলগী এম দি ৱাজিদনা অহানবা, দিনেশ্বরি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী টি ঐচ বনার্টনা অনীশুবা অমসুং খোংজোম ষ্টেন্দর্দা ইংলিস স্কুলগী এস রাখেসনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

অন্দর-১৪ বোইজগী কেজি ৩০গী কেটাগোরিদা জি রোহিট শর্ম্মনা অহানবা, দিক্সন তোইজম্না অনীশুবা অমসুং এন মহেন্দ্রলালনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : অমেরিকাগী লাস বেগাসতা নবেম্বর ৯ দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ওলেম্পিয়া বোদি বিল্ডিং ২০১৭ তা শরুক য়ানবগী ইন্দিয়ন টিম শেমদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোয়শিং খন্দুনা থারক্লবা ইন্দিয়া ফিটনেস এন্দ বোদি বিল্ডিং ফেদরেসন্না খঙহল্লক্লে। মরম অসিনা মণিপুরগী প্লেয়রশিং খন্নবগীদমক ত্রাইএল সেলেক্সন অমা মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন (এম এ বি বি এ) না শিন্দুনা সেপ্তেম্বর ৬ কী নুংথিল পুং ২ তাবদা শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দা লৈবা জি বি সী জিমদা পাঙথোক্লগনি। মশাগী ফোরেন পাসপোর্ট পায়বা নেচরেল বোদি বিল্ডর ওইবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

See better through us...
Yumnam Eye Care
RIMS Road, Imphal West Manipur
Computerised Eye Testing & Contact Lens Clinic
NEW SUMMER COLLECTION
Authorized Dealer
Fastrack
Consultant Timing :
Morning- 8:00 am - 12.00 noon
Evening- 2:30 pm - 5.00 pm
Sunday - 8:00 am - 12.00 noon
HL-B/4069/15/8-14/09

L.G.MOTORS
LOAN AVAILABLE
AREA COVER: MANIPUR STATE
NO GUARANTOR
> ONE DAY DELIVER FOR 2 WHEELER
> 7-10 DAYS DELIVER FOR 4 WHEELER
> PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5% & 3%) PM
> 3(Three) DAYS DELIVER FOR 3 WHEELER
OFFICE HOUR:
10.30AM TO 4.00PM
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING OPP. P.S.,
THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.
HL-B/4077/8/7-17/8

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৫

১. নেসনল গেমসকী টাই ক্বান্দো মশান্নদা ইহান হান্না সনাগী মেদল ফংখিবা মণিপুরী মচা অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২. করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা দাক্তর দিধান চন্দ্র রোয় ত্রোফিদা মণিপুরনা মায়োক্নবা টিম্বু টাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবগে?

৩. এসিয়ান গেমসতা ইহান হানবা ওইনা ইন্দিভিজুয়েলগী থৌরমদা মণিপুরগী নুপী অনী শরুক য়াখি। অমনা ইরোইবদা কিরন মালা দেবীনি অদুগা অতোপ্পা নুপী অদু কনানো? করম্বা থৌরমদনো? পাউখুম অনী পীয়ু।

৪. করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী হোকিগী কেপ্তেন শান্নরোয় অনীদা পূন্না ওইহনখিবগে?

৫. পীরিবা অফাওবা শান্নরোয় অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্তেম্বর ১৫ ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com